ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ০৭, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩৩৩শুবা মশীং

## য়াওশঙ

### মীতৈগা মরী লৈনব্রা লৈনদব্রা

'য়াওশঙ' ৱাহৈসি 'য়াও' গা 'শঙ' গা পুনশিন্নরগা শেম্বনি, ওইহল্লকপনি। মীতৈগী লোলদা 'য়াও' সু লৈ, 'শঙ' সু লৈ। লোলসিগী ৱাহৈ অনীসিদি অতোপ্পদগী পুরুবা নৎত্রগা ৱায়রুবা নত্তে। অদুবু ৱাহৈ মচা অনীসি পুনশিল্লগা 'য়াওশঙ' ওইরকপদদি তোঙানবা ৱাহন্থোক চেনবা/লৈবা ৱাহৈ অমা ওইরকই। লৈবাকসিদা মীশিং য়াম্বা ফুরুপ অমনা চৎলিবা লাইনীং অমগী কুম্মৈ ওইরিবা 'দোল যাত্রা', 'হোলি' নৎত্রগা 'ফেষ্টিবেল ওফ কলর' গা হায়রগা খঙনরিবা কুম্মৈ অসি ওইনা মণিপুরদদি লৌনৈ। অসুম্মাইনা য়াওশঙ হায়রগা খঙনরক্লিবা কুম্মৈসি অমুক য়ৌরক্তুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৫নি চূপ্পা চত্থগদৌরিবনি। নুমিৎ ৫নিসিগী মনুংদা মখল কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোক্লগনি। কুম্মৈসিগীদমক হরাওবা-নুংঙাইবা হেনমনখিদনা নুমিৎ ৫নিদগী হেন্না চোন্থনা শাংদোক্না পাঙথোক্লবসু য়াওগদৌরিবনি। মসিগী মথক্তা কুম্মৈসি হৌগদবা নুমিৎ খরনি ৱাৎলিঙৈদগী ফাওবা হৌরদুনা লম্বীদা অচৎ-অওক তৌবশিংবু থৎলগা শেল নিবা অমসুং খায়বগী থবকশিং ফাওবা হৌনরকপদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকীদি দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থৌওইনা ওর্দর অমা থোকখি। লম্বীদা অচৎ-অওক তৌরিবশিংদগী শেল খায়বা-নিবগী থবকসি ইল্লিগেলনি হায়দুনা দিষ্ট্রিক্টসিগী এস পিদা তৌহন্দনবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখি। থৌওংসিনা থোরকফম থোক্তবা অমসুং থোকহন্নীংদবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোক্কনি। মীশি-মীনা থোরক্কনি হায়খি। মরম অসিনা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোরক্তনবা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং থৎলগা শেল নিবা অমসুং খায়বগী থবক তৌহন্দনবা খঙহনখিবনি।

মসিনা মসি ওইরবা ফাওবদা য়াওশঙসিবু মীতৈ হায়রিবা ফুরুপসিগা করি মরী লৈনবগে? ফুরুপসিগা হৌদোকমিন্নরকপ্রা? লাইনীংগী শরুক অমা ওইব্রা হায়বগী ৱাহং থোরকই। ৱাহংসি হংলকই হায়দুনা অতোপ্পা লাইনীং অমগী লাইথৌদা অমসুং হরাও-কুম্মৈদা নৎত্রগা ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারগুমসি, য়াওরগুমসি, লাইনীং অমগা অমগা, ফুরুপ অমগা অমগা হেঞ্জিন্নবা য়াদবগী মওংদা ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নরসি হায়বা নত্তে। অফবা, কান্নবা হরাও কুম্মৈদদি মদুগী মপু ওইজবা ফুরুপ্তু খক্তগী ওইনা ইন্থোকপা নত্তনা পূম্নমক্না হোৎচিন্নদুনা শরুক য়ারক্লিবনি। মীতৈশিংগী মরক্তগীসু য়াওশঙবু খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইজরিবা লাইনীংবু চৎপশিংনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবসিনি। মসিদা অকাইবা, অশোয়বা নৎত্রগা অরানবা করিসু লৈতে। মনা-মনিল নাইদে। অদুবু মণিপুরদা য়ৌরকখ্রবা অতোপ্পা লাইনীংলোন কয়াগী ওইনা লৈজবা ঈরাৎ থৌরম্বু ওইরো, কুম্মৈ ফিওংবু ওইরো অদুগুম্বশিংদুগা চপ মান্নমা মীতৈ হায়বা ফুরুপসিগীসু লৈগদবনি, লৈফম থোকই হায়দুনা মীতৈগী ওইনা ওন্থোরকপদি লানগনি। য়াওশঙ নৎত্রগা হোলিবু মরু ওইবা কুম্মৈ ওইজবা লাইনীংদু চৎপা মীওইশিংনা তৌজসনু। লাইনীং লম্বেল হায়বসিদি মানা মানা পাম্বদা চৎচবদা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসননসু অয়াবা পীরিবনি, করিসু কায়দে। অদুবু য়াওশঙবু মরু ওইবা কুম্মৈ ওইরিবা লাইনীংদু অতোপ্পা ফুরুপশিংদগী মীয়াম্নসু লাইমিং লৌদুনা চৎলে, তুং ইল্লে হায়দুনা লাইনীং অমগী থৌরমসি য়াওশিল্লক্লিবা মীওইশিংদুগী ফুরুপকী ওইনা ওন্থোরকপা নৎত্রগা উহল্লকপদি য়ারোই। মীয়াম হুপ্পা শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদুনা মাগী মাগী অপাম্বগী ৱানি। অতোপ্পনা পাম্বা নৎত্রগা পামদবা কুম্মৈসিদি মরী লৈনরিবা লাইনীং অদুগী অদুম্মক ওইজদুনা লৈগদবনি। মরমশিং অসিনা য়াওশঙ নৎত্রগা হোলিগা মীতৈ ফুরুপকা করিগুম্বা মতাং অমত্তদা মরী লৈনদে হায়বনি। অদুনা শরুক য়াশিন্দুনা য়াওবা-য়াওদবগী ৱাফমদি কুম্মৈসিগী কান্নবা-কান্নদবা অমসুং অপাম-পামদগী মখা পোনগনি হায়বসিদা লাল্লোই হায়নীংই।

## ꯌꯥꯎꯁꯪ

### ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕ꯭ꯔꯥ ꯂꯩꯅꯗꯕ꯭ꯔꯥ

'ꯌꯥꯎꯁꯪ' ꯋꯥꯍꯩꯁꯤ 'ꯌꯥꯎ' ꯒꯥ 'ꯁꯪ' ꯒꯥ ꯄꯨꯟꯁꯤꯟꯅꯔꯒꯥ ꯁꯦꯝꯕꯅꯤ, ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯀꯄꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯂꯣꯟꯗ 'ꯌꯥꯎ' ꯁꯨ ꯂꯩ, 'ꯁꯪ' ꯁꯨ ꯂꯩ꯫ ꯂꯣꯟꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯍꯩ ꯑꯅꯤꯁꯤꯗꯤ ꯑꯇꯣꯞꯄꯗꯒꯤ ꯄꯨꯔꯨꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯋꯥꯌꯔꯨꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯋꯥꯍꯩ ꯃꯆꯥ ꯑꯅꯤꯁꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤꯟꯂꯒꯥ 'ꯌꯥꯎꯁꯪ' ꯑꯣꯏꯔꯀꯄꯗꯗꯤ ꯇꯣꯉꯥꯟꯕ ꯋꯥꯍꯟꯊꯣꯛ ꯆꯦꯅꯕ/ꯂꯩꯕ ꯋꯥꯍꯩ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯏ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯗ ꯃꯤꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯅ ꯆꯠꯂꯤꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯃꯒꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ 'ꯗꯣꯜ ꯌꯥꯠꯔꯥ', 'ꯍꯣꯂꯤ' ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ 'ꯐꯦꯁ꯭ꯇꯤꯕꯦꯜ ꯑꯣꯐ ꯀꯂꯔ' ꯒꯥ ꯍꯥꯌꯔꯒꯥ ꯈꯪꯅꯔꯤꯕ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯑꯁꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯗꯤ ꯂꯧꯅꯩ꯫ ꯑꯁꯨꯝꯃꯥꯏꯅ ꯌꯥꯎꯁꯪ ꯍꯥꯌꯔꯒꯥ ꯈꯪꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤ ꯑꯃꯨꯛ ꯌꯧꯔꯛꯇꯨꯅ ꯉꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯒꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯵ꯅꯤ ꯆꯨꯞꯄ ꯆꯠꯊꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯵ꯅꯤꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯃꯈꯜ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝꯁꯤꯡ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯍꯔꯥꯎꯕ-ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯍꯦꯅꯃꯟꯈꯤꯗꯅ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯵ꯅꯤꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯅ ꯆꯣꯟꯊꯅ ꯁꯥꯡꯗꯣꯛꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯕꯁꯨ ꯌꯥꯎꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤ ꯍꯧꯒꯗꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯔꯅꯤ ꯋꯥꯠꯂꯤꯉꯩꯗꯒꯤ ꯐꯥꯎꯕ ꯍꯧꯔꯗꯨꯅ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯑꯆꯠ-ꯑꯎꯛ ꯇꯧꯕꯁꯤꯡꯕꯨ ꯊꯠꯂꯒꯥ ꯁꯦꯜ ꯅꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯐꯥꯎꯕ ꯍꯧꯅꯔꯀꯄꯗꯒꯤ ꯕꯤꯁ꯭ꯅꯨꯄꯨꯔ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯀꯤꯗꯤ ꯗꯦꯞꯌꯨꯇꯤ ꯀꯃꯤꯁ꯭ꯅꯔꯅ ꯊꯧꯑꯣꯏꯅ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯑꯃꯥ ꯊꯣꯀꯈꯤ꯫ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯑꯆꯠ-ꯑꯎꯛ ꯇꯧꯔꯤꯕꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯁꯦꯜ ꯈꯥꯌꯕ-ꯅꯤꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯏꯜꯂꯤꯒꯦꯂꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯒꯤ ꯑꯦꯁ ꯄꯤꯗ ꯇꯧꯍꯟꯗꯅꯕ ꯊꯕꯛ ꯂꯧꯈꯠꯅꯕ ꯈꯪꯍꯅꯈꯤ꯫ ꯊꯧꯑꯣꯡꯁꯤꯅ ꯊꯣꯔꯛꯐꯝ ꯊꯣꯛꯇꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕ ꯂꯝꯕꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯊꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤꯡ ꯊꯣꯛꯀꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅꯥ ꯊꯣꯔꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫ ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛꯁꯤ ꯊꯣꯔꯛꯇꯅꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯑꯆꯠ-ꯑꯎꯛꯁꯤꯡ ꯊꯠꯂꯒꯥ ꯁꯦꯜ ꯅꯤꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯥꯌꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯍꯟꯗꯅꯕ ꯈꯪꯍꯅꯈꯤꯕꯅꯤ꯫

ꯃꯁꯤꯅ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯌꯥꯎꯁꯪꯁꯤꯕꯨ ꯃꯤꯇꯩ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯒꯥ ꯀꯔꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯒꯦ? ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯒꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯃꯤꯟꯅꯔꯀꯄ꯭ꯔꯥ? ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯒꯤ ꯁꯔꯨꯛ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯍꯪ ꯊꯣꯔꯀꯏ꯫ ꯋꯥꯍꯪꯁꯤ ꯍꯪꯂꯀꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯃꯒꯤ ꯂꯥꯏꯊꯧꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯍꯔꯥꯎ-ꯀꯨꯝꯃꯩꯗ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯐꯦꯁ꯭ꯇꯤꯕꯦꯂꯗ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯔꯒꯨꯝꯁꯤ, ꯌꯥꯎꯔꯒꯨꯝꯁꯤ, ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ, ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯃꯒꯥ ꯍꯦꯟꯖꯤꯟꯅꯕ ꯌꯥꯗꯕꯒꯤ ꯃꯑꯣꯡꯗ ꯀ꯭ꯔꯛ-ꯀ꯭ꯔꯛ ꯌꯦꯡꯁꯤꯟꯅꯔꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯑꯐꯕ, ꯀꯥꯟꯅꯕ ꯍꯔꯥꯎ ꯀꯨꯝꯃꯩꯗꯗꯤ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯃꯄꯨ ꯑꯣꯏꯖꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯇꯨ ꯈꯛꯇꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯏꯟꯊꯣꯛꯄ ꯅꯠꯇꯅ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯅ ꯍꯣꯠꯆꯤꯟꯗꯨꯅ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯔꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯇꯩꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯒꯤꯁꯨ ꯌꯥꯎꯁꯪꯕꯨ ꯈ꯭ꯋꯥꯏꯗꯒꯤ ꯆꯥꯎꯕ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯑꯣꯏꯖꯔꯤꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯕꯨ ꯆꯠꯄꯁꯤꯡꯅ ꯉꯁꯤ ꯐꯥꯎꯕ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯂꯥꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯗ ꯑꯀꯥꯏꯕ, ꯑꯁꯣꯌꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯂꯩꯇꯦ꯫ ꯃꯅꯥ-ꯃꯅꯤꯜ ꯅꯥꯏꯗꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯌꯧꯔꯛꯈ꯭ꯔꯕ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯂꯣꯟ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯩꯖꯕ ꯏꯔꯥꯠ ꯊꯧꯔꯝꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ, ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯐꯤꯑꯣꯡꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯣ ꯑꯗꯨꯒꯨꯝꯕꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯥ ꯆꯞ ꯃꯥꯟꯅꯅ ꯃꯤꯇꯩ ꯍꯥꯌꯕ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯒꯤꯁꯨ ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ, ꯂꯩꯐꯝ ꯊꯣꯀꯏ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯣꯟꯊꯣꯔꯀꯄꯗꯤ ꯂꯥꯟꯒꯅꯤ꯫ ꯌꯥꯎꯁꯪ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯍꯣꯂꯤꯕꯨ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯑꯣꯏꯖꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯗꯨ ꯆꯠꯄ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅ ꯇꯧꯖꯁꯅꯨ꯫ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯂꯝꯕꯦꯜ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯥꯅꯥ ꯃꯥꯅꯥ ꯄꯥꯝꯕꯗ ꯆꯠꯆꯕꯗ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯀꯟꯁ꯭ꯇꯤꯇꯨꯁꯟꯅꯁꯨ ꯑꯌꯥꯕ ꯄꯤꯔꯤꯕꯅꯤ, ꯀꯔꯤꯁꯨ ꯀꯥꯌꯗꯦ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯌꯥꯎꯁꯪꯕꯨ ꯃꯔꯨ ꯑꯣꯏꯕ ꯀꯨꯝꯃꯩ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯗꯨ ꯑꯇꯣꯞꯄ ꯐꯨꯔꯨꯞꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯂꯥꯏꯃꯤꯡ ꯂꯧꯗꯨꯅ ꯆꯠꯂꯦ, ꯇꯨꯡ ꯏꯜꯂꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯃꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝꯁꯤ ꯌꯥꯎꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯤꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯣꯟꯊꯣꯔꯀꯄ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯎꯍꯜꯂꯀꯄꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯍꯨꯞꯄ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯌꯥꯗꯕ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯅ ꯃꯥꯒꯤ ꯃꯥꯒꯤ ꯑꯄꯥꯝꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯑꯇꯣꯞꯄꯅ ꯄꯥꯝꯕ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯄꯥꯝꯗꯕ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯗꯤ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯔꯤꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯑꯗꯨꯝꯃꯛ ꯑꯣꯏꯖꯗꯨꯅ ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯔꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅ ꯌꯥꯎꯁꯪ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯍꯣꯂꯤꯒꯥ ꯃꯤꯇꯩ ꯐꯨꯔꯨꯞꯀꯥ ꯀꯔꯤꯒꯨꯝꯕ ꯃꯇꯥꯡ ꯑꯃꯠꯇꯗ ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯅ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯌꯥꯎꯕ-ꯌꯥꯎꯗꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝꯗꯤ ꯀꯨꯝꯃꯩꯁꯤꯒꯤ ꯀꯥꯟꯅꯕ-ꯀꯥꯟꯅꯗꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯄꯥꯝ-ꯄꯥꯝꯗꯒꯤ ꯃꯈꯥ ꯄꯣꯟꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗ ꯂꯥꯜꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯅꯤꯡꯏ꯫

# থেংনরকপদা ঐখোয়গী মতমগী য়াওশঙ অমসুং ঙসি

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৪৩

**জিতেন নামৈরাকপম**



লমতা থা, ঐখোয় মৈতৈশিংগী থাশিং তরানিথোইনা শাবা চহী অমগী ইরোই লোইবা থানি। শজিবু, কালেন, ইঙা, ইঙেন, থৱান, লাংবন, মেরা, হিয়াঙ্গৈ, পোইনু, ৱাকচীং, ফাইরেন, লমতা-লমতা থাগী ১৫নি পানবা থানিল নুমিৎনি ঙসি। ঙসি লমতা থাগী পুর্ণিমা নুমিৎ অসি মরু ওইনা হিন্দু লাইনীং চৎপা মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা য়াওশঙ কুম্মৈগী অহৌবা নুমিৎনি। য়াওশঙ হায়রগা মণিপুরদা শুপ্নতগী হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা খক্তগী ৱাসু নত্তে। মৈতৈ নৎত্রগা সনামহী লাইনীং চৎপা অমদি অতোপ অতোপ্পা কাঙলূপশিং পুল্লগা হরাউমিন্নবা, নুংঙাইমিন্নবা, লায়র-ইনাকখুনবা খেন্নবা থমদনা অপূনবগী লিপুন্না পুন্দুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী শক্তম অমসু ওইদুনা লাকখিবনি। য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসি মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াগী নৎত্রগা মালেমগী মফম অমত্তদা পাঙথোক্লবা লৈতে। শুপ্নগী মণিপুরখক্তগী ওইবা চাউখ্রবা কুম্মৈ অমা ওইদুনা লাক্লি। মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা হিন্দুশিংগী হোলি কুম্মৈগা মৈতৈগী থাবল চোংবগা তোৎশিন্নদুনা মচাক মথুম কয়া অমা হাপচিল্লগা নিংথৌ হাক্তক্তগী চৎনরকখিবা চাওরবা কুম্মৈ অমা ওইদুনা লাকখি। পুন্সি অসি চহী চূপ্পা থবক শুরগা, অৱা অনা খক্তগী ৱাখলদা তাউরগা লৈরবদি পুন্সি তেনশিল্লক্কনি খনবদগী পোত্থাদবা য়াদে, নুংঙাইথোক্তবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা মালেমদা চৎনরিবা ধর্ম্ম খুদিংমক্কী হরাউ কুম্মৈ লৈবগুম য়াওশঙ কুম্মৈ থল্লম্বা ওইরমগনি খল্লি।

মালেমগী খোঙচৎকী মতুংইন্না নিংথম থা, কালেন থাগী মরক অসিদা লৈরিবা বসন্ত ঋতুগী মতমনি। হৈনৌনা মপাল শাৎলকপা, হঙ্গাম মপাল, চুমৱ্রৈ মপাল মখল মখলগী হৈ-রাশিং পানবগী মতম লাকপা, মচু মচুগী লৈ কয়ানা মনীং তম্না শাৎচরকপা মতম অসিদা ইনখৎলক্লিবা শাবি-শানৌ কয়াগী থম্মোয়সু মথুম মরাং হৌরকপা মতম ওইরকপনি হায়বা য়াই। য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপদা ঐখোয়গী ফুরুপ অসিগী অঙাং, নুপী, ইনখৎলক্লিবা পাখঙ, লৈশা কনা হরাওখিদবা, তরাম্না ওকখিদবা য়াওরগে। নুংঙাইনা, হরাওনা শরুক য়াদুনা চাদা ৯০দি তরাম্না ওক্লখিবমক্তনি। হৌজিক ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়র, ব্যুরোক্রেট ওফিসর ওইরিবা, এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরিবা পূম্নমকসু য়াওশঙ কুম্মৈ কান্থোক্লগা লাকপা অমত্তা ওইরম্লোই। তৌবতবু হরাও কুম্মৈগী মীংদা কা হেন্না লাংথোকপা, মতম মাঙহনবা, শেল কা হেন্না লংথোকপা অফবা থবক্তি নত্তে খনবদগী লাংবা, নুংঙাইথোকপা হন্থরসি হায়বরোমদা লাকপসিমদি অফবা খোঙথাংনি হায়নীংই। য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপা খৌরাংনা ঙাইজরিবশিং, থাবল চোংবতবু ঙাইবদা নুমিৎ মশীং খূৎ থেকচরিবশিংগীদমক্তদি কুম্মৈ অসি শাপ নত্তে বরনি। হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক পায়রগনি খঙবদগী ভোট হেক হায়দোরকপগী নুমিদাং কয়াদা হৌজিক মিনিষ্টর, এম এল এ কয়াসু থাবল চোংনখিবদু মীয়াম্না কাউবিরম্লোই খঞ্জে। মৈতৈ ঐখোয়গীদি থাবল চোংবা হায়বসি ঐখোয়গী ঈদা, লূ-তোংদা পকখ্রবা কলচর অমা ওইনা য়োমদুনা লাকখ্রবনি খঞ্জে। তৌবতবু 'টু মচ' হেনমনবা হায়বসিদি ফত্তে হায়বসিদা য়ানীংদবা কনাসু লৈররোই।

অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা ঐখোয়সু য়াওশঙ কুম্মৈ য়াওরকই। ইমান্নবা, ইথক থোংবশিংগা পুল্লগা য়াওশঙ কুম্মৈগী মহাউ লৌরকখি। মতম অদু মীওই খুদিংমক ইচম চম্নরম্মী হায়বা য়াই। পূন্না নুংঙাইমিন্নবা, হরাওমিন্নবা, শকখঙ মায়খঙনবা, লায়র-ইনাকখুনবা খাক্তনা নুংশিনবগী লিপুন্না পুনশিন্নদুনা নুংশি চান্ননা পাঙথোক্লম্বা কুম্মৈ অসি ঙসিদি ওন্থোকপা ফীভম অমদা লাকপনি হায়বা তাই। মসিসু মতমগী, চহী চহীগী মতুংইন্না অওনবা পুরকপনি হায়গদ্রা, হেনবদি হেনমল্লক্লবনি। য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপদা ঐখোয়না অমদি ঐখোয়গী মমাঙদা তৌরমদবা মথেল কয়া মথং মথং হাপচিল্লক্লি। হান্না তৌনরম্বা চৎনরম্বা য়াওশঙগী মশক য়াম্না শাথীনা হোংলক্লি। মতমদুদা ঐখোয়না তৌরমদবা মক্তনি। মদুদি ফত্ত-হৌদি ঈশিং হৈজিন্নবা, কা হেন্না লাউ খোংবা, নুপামচাশিংনা নুপীমচাশিংদা কারন তাবগী অবের খূৎতৈ, য়াওশঙ স্পোর্টসকী মীংদা নাকোং দ্রম শেগায়বমখৈ লাউত্রফোন মুন্ন-মুন্নদুনা মীয়ামদা অকায়বা পীবা, অঙাংদি ফরি, হনু-হনা চিংথোক্তুনা স্পোর্টস য়াওহল্লগা শরূ-শয়াং, মসল থুগায়বা, ফার্মাসিস, ডাক্তরশিংদা শেল থিগৎপা, মৌ-মৌনহাশিং পুথোক্তুনা ব্লাইন্দ ওইনবা মমিৎ পুনশিন্দুনা ঙানু ফাহনবা, বোরা লমজেলদা ইনে থোকপা অমা চোং চোংবদুদা তুশিনবদগী হৌজিকসু ফীভম তাদনা লৈরি। অসি নত্তবা অতৈ খুশান্না কয়াসু য়াওরি।

পূম্নমক অসি অমরোমদা হায়রগদি নুমিৎ মঙানি অসি য়াওশঙ কুম্মৈগী মীংদা অরেম্বদা মতম মাঙহন-দুনা অঙাংশিংদগী হৌরগা য়াওশঙদা অহেনবা থবক চত্থরক্তনবা খুল নৎত্রগা লৈকায়গী ওইনা ফাজিন পুনশিন্দুনা থল্লগা ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম ওন্থোরকপসু য়াব্রা হায়বগী চাংয়েং ওইরমগনি। তৌবগীদি অরেম্বদা মতম মাঙহনগদবগী শরুক স্পোর্টস মীট ওন্থোকখিবসি ঐখোয়গী লুচিং পুরেল ওইরম্বা জননেতা হিজম ইরাবতননি হায়না থেংনজখি। য়াওশঙগী স্পোর্টসনা ইন্সপাইরেসন পীদুনা নেসনল, ইন্টরনেসনল লেভেলদা গোল্ড মেদল ফংখিবা স্পোর্টস পর্সন কয়া লৈখ্রে। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা সাইক্লিষ্ট রামেশ্বরি য়াওশঙ স্পোর্টসতগী হৌরকখিবনি তাজে। অমুকসু এম্যুজমেন্ট, ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তবা তারগদি য়াওশঙ স্পোর্টস ইন্টরেষ্ট লৈরোই খনবদগী হরাউ তয়াম্বগী প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা ওইরমগনি খঞ্জে।

খ্বাইদগী লুবা অমনা য়াওশঙ স্পোর্টসকী লাউ খোংবা অমদি থাবল চোংবগী অহৌবা খোঞ্জেল মনুংদা মেত্রিক অমদি টেন প্লস টুগী এগজামগা ফাংজিন্নবা অসিনি। মতাং অসিদদি ঐখোয়গী একাদেমিসিয়ন অমদি মরী লৈনবশিংনা একাদেমিক কেলেন্দর শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াদবজাৎলা অসিনি। সী বি এস ঈগী পেটর্নগা মণিপুরগীগা মান্নহল্লগদি মেত্রিক্কা য়াওশঙগা তোঙান তোঙান তাখিগনি খঞ্জবনি। মসিমক্তি অখঙ অহৈশিংগী খূৎতা লৈরে। তৌবতবু লমতা থা ফেব্রুৱারী/মার্চতা তাগনবা মণিপুরগী য়াওশঙ কুম্মৈ মালেমগী অকনবা ফোর্স অমত্তনা মূথৎপা ঙমগনি থাজদে। অমুকসু হায়জনীংবা অমনা য়াওশঙ কুন্থ্রা লাক্লগসু কাঙলোন চুম্না লাইরিক পাবা, নৈনরকপা মহৈরোয়দুগী কোক্তুদি থাবলগী ধোল-বেন্দগী মখোলনা নমহৎপা ঙল্লরোই। থাবল চোংগেরা, ধোল থিনগেরা, অবের তৈনগেরা, ঈশিং চাইশিন্নগেরা, হোলি পালারা, পেচকারিরা তৌনীংবা তৌজৌ, টোপ্পর ওইরগদবা মেত্রিক, ত্বেলভকী এগজামদা পাউচেদা, ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা মশক উৎলক্লগদবশিং অদুদি মাগী মাগী হোৎনজমন মতুংইন্না পরেং শানা লৈরম্লগনি।

হেক্তা হায়নীংলকপসিদা য়াওশঙনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী ইকোনোমিদা শোকহনবা, কা হেন্না লাংবা-খোৎপা, মোরেল য়াওদবা থবক চত্থনরকপা, দিসিপ্লিন লৈতবা, ৱারক্তবা অঙাংশিং নৎত্রগা নহাশিং ওইহনগুমসি। অমুকসু খল্লকই - ঐখোয়না পংই ইজবগী ৱানি, টি ভিদা খন্ন-নৈনবদা পংঙাও ঙাওনবগী ৱানি। য়াওশঙদি ঙসিদগী হৌরে। মমা মপা ওইবা, অহল-লমন ওইবশিংনা ইচা-ইশুশিংবু ফাজিন পুনশিন্দুনা লৈবগী থাক্তা লৈত্রে। তৌবতবু, য়াওশঙবু তরাম্না ওকচরি। মীশি মীনা য়াওদবা, হুরান চিন্থিনচিংবা ফত্তবা নত্তবা হায়বদু লাক্তনা ৱাত্ত-পাদবা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা কুম্মৈ অমা ওইরসনু হায়নীংলি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০৮

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মহাভারত অসি কৃষ্ণ-দ্বাইপয়ালনা ৱারী লীরগা গনেশনা ইশিনখিবা চাওরবা ইপিক (মহাকাব্য) অমনি। মহাভারতপু ইরল্লিবা কৃষ্ণ-দ্বাইপায়াল (বেদবু চিনফা হায় হায়বগীদমক বেদ ব্যাস হায়না খঙনখিবা) অসিনা ইরম্বা অদুদসু য়াওদবা মতাং অমা অমিট শাহনা করম্না হাপচিল্লম্বনো হায়বদু অঙকপা পোকই অমদি মহাক্কী থৌওংদু মহাভারত ইরম্বা মীওইদুদসু ইকায়বা পীবনি হায়না লৌবা য়াই হায়না অমুকোনা মথক্কী পাউচে অনীসিদা ফোঙবদা য়াওখিবনি।

মতাং অসিনা অইবা ইশাগী ওইনা থমজনীংবা ৱাফম অমদি - মণিপুরগী হিষ্ট্রি, কলচর, ত্রেদিসনেল এন্দ জিওগ্রাফিগী মরমদা কনা-কনাগুম্বনা লাইরিক ইবদা শেরান্ননা ইশিনবা অমদি মদুনা কাঙলূপ ফুরুপ অমগী ইন্টরেষ্ট শোকপগী থৌওংদু ওইদনবগীদমক কনাগুম্বনা ইরিবা লাইরিক অদু ফোঙদ্রিঙৈদা গভর্ণমেন্টকী/কম্মিটিগী অয়াবা লৌগদবনি হায়দুনা মীওই ১৫না শাবা কম্মিটি অমা সেপ্টেম্বর ১৫, ২০২২দা মণিপুর লৈঙাক্না শেম্লগা লৈরবনিনা - "মথক্কীসিনা কোনশিনবা ঙমদবা হায়বদি হান্না শেরান্ননা ইশিল্লগা ফোঙখ্রবা/হায়খিবা ৱারোলশিং/তুংদা শেরান্ননা হায়রকপা/হায়খিবশিংবুসু মীওই ১৫না শাবা কম্মিটিসিদা শিন্নদুনা থিজিলহল্লগা অকক্লবা মতমগী মনুংদা মদুদগী ফংলকপা ৱারোলগী মতুংইননা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎনবগী মথৌ তাবা ৱারোলশিং (রেকমেন্দেসনশিং) থাগৎহল্লগা মরী লৈনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবগী ওইথোকপা য়াবা থৌওংশিং লৈহঞ্জনীংই।" অদু ওইরবদি কংলৈপাক (মণিপুর) গী অশেংবা পুৱারী মতম চূপ্পগী ওইনা কায়হন্দনা/চুম্না থম্বা ঙমহনগনি। অশেংবা পুৱারী হায়বদি মীরমগী লাইনীং অমত্তগা মরী লৈনহন্দবা য়াম্না ঙল্লবদা কাংবা নিংথৌগী মতমদগী (ঙল্লগনা), তঙাইফদবদনা খৃ: ৩৩-১৫৪দা পানখিবা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগীনা হৌজিক ফাওবদা লাইনীংথৌ সনামহী অমদি ইবুধৌ পাখঙবগা মরী লৈনবা লাইনীং লাইশোনগী পরমশিং ঙাক্তুনা চৎলিবসি লমদমসিগী ওইবা য়েলহৌমী অশেংবশিংগী ওইনা মীরম লাইনীং লাইশোন অমত্তগা মরী লৈনবা পাল্লোই হায়বসিনি।

মীরমগী লাইনীং লাইশোন পামজবশিংগীসু মীরম মখোয় অশেংবগী মরমদা চৎনবদু শেংনা অদুম চৎচসনু। লাইনীং অনী হায়বদি মুকসন লাইনীং লাইশোন্নদি অমগীসু শেংদা অতোপ্পা অমগীসু শেংদবা হায়বদু ওইবনা লমদমসিগা মরী লৈনবা য়েলহৌমী অশেংবরা হায়বদু মশক ফজনা তাকপা ঙল্লরোই। হৌজিক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন থোকহন্নীংদবা ৱাফম থোরক্লবদি লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইরকপনিনা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্ননবগীদমক থমজবনি ৱারৌবীরোই। খুদম, অর্জুন হিন্দুগী পাণ্ডব শাগৈগী অহুমশুবা মচানি হায় অদুগা ঐখোয়না ইবুধৌ পাখঙবগী চাদা নাওদানি। লাইনীং লাইশোন তোঙান তোঙানবা অনীগী মচা মশু ওইনবনা য়েৎনরিবদি লাইনীং লাইশোন অনী হায়বদি সনামহিজমগা হিন্দুইজমগা অনীসিদনি। লমদমসিগী য়েলহৌমীনিদি হায়রগা মীরমগী হিন্দু লাইনীং লাইশোন পামজরুবা পামজবা মখোয়সু অশেংবদি ইবুধৌ পাখঙবগী চাদা নাউদা ওইরক্লগা খাঙঙুথক্তা মীরম হিন্দু লাইনীং অদুঙৈ মৈদিংঙু পামহৈবদগী খরা খরা পামদা পামদনা চৎপা হৌরক্লগা করম্না পাণ্ডবকী মচা ওইবা অজ 'ুনগী মচা-মশুনি হায়দোইনো? খুদম, ইমুং অমদা মপা মমা অনীনা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন চৎলগা মচা মঙাগী মনুংদা অহুম্না ঈনাৎকী লীচৎ চৎলে, অনী অমনা মীরমগী লীচৎ চৎলে, মচাশিংসি কনাগী চাদা নাওদানি হায়গনি? মপা মমানা মীরম লাইনীং লীচৎ চৎপদা মচাশিংনা ঈনাৎ লাইনীং লীচৎ চৎলে। মতাং অসিদসু মচাশিংদু অজ'ুনগী চাদা নাওদানি হায়নীংগদ্রা, মখোয় মশা য়ানীংগদ্রা? মসি ওইথোকপা য়ারোইদবা ৱাফমনি। মালেমগী মীয়াম্না য়ারোইদবা ৱাফমনি।

অর্য়ান হিন্দু মখোয়গী ওইনদি লাইনীংগী নমাদা মীচং খোম্বদা মালেমগী লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মশা মশাগী লাইনীং লাইশোন চৎলিবশিং ফাওবা মখোয়গী হিন্দুগী চাদা নাউদানি হায়নীংলমগদবা ৱাখল শোয়দনা লৈরমগনি। পোল্লক শাৎলকপদগী হায়বদি লৈশেমঙৈদগী হীরম অমত্তদা মান্নদবা কংলৈপাক (মণিপুর) গী মীওইশিংগা অর্য়ান হিন্দু মখোয়গা য়াম্না নকশিন্নবা মরী থম্বা পাল্লবদি মখাদা পীরিবা তঙাইফদবা ৱাহং খরসিগী পাউখুম মতিক চাবা অইবা চেরোল হায়বদি ইন্দিয়াগী/মালেমগী অর্কাইবতা লৈবা অরিবা চে চাংশিং, ৱাহংগা মরী লৈনবশিংগী পাউখুম পীফম থোকই।

অহানবা ৱাহং :- পাণ্ডবকী মচানিপানি হায়রিবা অর্জুনদুনা অসামগী অমদি নাগালেন্দগী করম করম্বা মফমশিং লাল্লগা ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) সিদা লাক্লম্বগী মরী মখোঙ উৎপা/য়াওবা হৌজিক্তা হায়রগা মেপ/খোঙচৎ লম্বেলগী হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী করম্বা অর্কাইবতা লৈবগে? লৈরবদি পুথোকপীরকউ।

অনীশুবা ৱাহং :- কংলৈপাক্তগী মণিপুর ওনখিবা কংলৈপাক (মণিপুর) গা মমিং মান্নবগা লোয়ননা লেটিচুদ, লোঙ্গিচুদ মান্নবা তোঙান তোঙানবা মফম/ষ্টেট ইন্দিয়াদা কয়াম লৈবগে?

অহুমশুবা ৱাহং :- মৈদিংঙু পামহৈবা (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮)না পানবা মতমদা শান্তিদাস গোশাই কৌবা অমনা কংলৈপাক কৌরকপবু মখোয়গী মরোলদা মণিপুর হায়না ওন্থোকখিবনি হায়বসি পুৱারী মপূং ফাবা খুদম চাংদম ওইরি। মতম ইচং চঙদনা নৈনবদা নুংঙাইনবা কাদুপ মপাক (টেবল) ওইনা মখাদা অসুম্না থমজরি।

| কাদুপ মপাক (টেবল) | | | |
|---|---|---|---|
| মথং মনাও | ৱারোল | কংলৈপাক (মণিপুর) /মণিপুর (কংলৈপাক) | ইন্দিয়া (মহাভারতকী) লৈবাক ভারত) |
| ১. | লৈপাক অনীমক বৃটিশকী লোইলম-শিং ওইরম্বদগী কোন্না মনীং তম্বা লৈপাকশিং ওইর-কখিবা কুমজা অমদি তারিখ | বৃটিশনা মণিপুর (কংলৈপাক) বু কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৪গী অহিং নোংয়াইদা নীংতম্বা পীরমখিবনি। | বৃটিশনা কুমজা ১৯৪৭, ওগষ্ট ১৫দা ইন্দিয়াবু নীংতম্বা পীরমখিবনি। |

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।